**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21.03.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্য চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে।

২) রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিং ভোৎ থাদহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ হাংদোক্কনি।

৩) লৈবাক অসিগী বেঙ্ক খুদিংমক থা অসিগী ৩১ নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৌশাগুম হাংগনি হায়রি।

৪) ৱাটসএপ্প গ্রুপশিংদা বিক্সিত ভারতকী মেসেজ থারিবশিং অদু খুদক্তগী থিংজিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসেন টেকোলোজি মন্ত্রালয়দা খঙহনখ্রে।

অমসুং

৫) কংগ্রেসনা হায়রি- লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রবু মগুন লৈবা গনতন্ত্র ওইহন্নবগীদমক মীচং মীখায় নাইদবা মীখল অমা য়মমক তঙাইফদে।

------

মীখল (এল)ঃ মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্য চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে। মসিগা লোয়নননা মীখল অসিবু য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন

ওফ ইন্দিয়ানা ওবজার্ভরশিং রাজ্য অসিদা থারকপা হৌরে। হৌজিক ফাওবদা এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর অহুম থুংলরে। পুলিস ওবজার্ভর অহুম অমসুং জেনেরেল ওবজার্ভর অহুম অথুবা মতমদা য়ৌরক্লগনি হায়না রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালগী পাউমীগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা রাজ্যগী জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার- রামানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা হায়- মীখল অসিগী য়েংলগা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং ত্রেনিং পীবগী থবক জিলা জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসশিংদা পাঙথোক্লি। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী ওইনা মীরেপচে পীশিনবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক জিলা ৫- উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং অমসুং চুরাচান্দপুরগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা মীরেপচে পীশিনবগী খুদোংচাবা পীরি।

মহাকা হায়- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং ভোৎ থাদবা য়াহন্নবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মখোয়গীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা লৌরগা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং হাংদোক্কনি। অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৮, ইম্ফাল ইষ্টতা ৯, থৌবালদা ২, বিষ্ণুপুরদা ২২, ককচিংদা ৫, চুরাচান্দপুরদা ১৫, কাংপোকপীদা ২৪, তেংনৌপলদা ৪, জিরিবামদা ১ অমসুং উখ্রুলদা ৪ পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ হাংদোক্কনি। অদুগা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ নত্রগা মশাগী চহি ৮৫ হেল্লবশিংনা য়ুম য়ুমদগী ভোৎ থাদবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিগীদমক ভোতরশিংনা ফোর্ম তুয়েলভ-দি মেনশিল্লগা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা বি.এল.ও নত্রগা মরী লৈনবা এ.আর.ও পীশিল্লক্কদবনি।

মণিপুরদা লোক সভাগী মীখল অসি তাঙ্কক অনি থোকা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্কনি। মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী মীখলগী নোতিফিকেসন ঙরাং থোকখ্রে। মীখলগী নোতিফিকেসন থোকখিবগা লোয়নননা ঙ মীরেপচে পীশিনবা য়ারে। অদুমওইনমক, ঙসি ফাওবদা মীরেপ অমত্তা

মীরেপচে পীশিল্লকপা লৈত্রি হায়রি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ চৎলিবা থা অসিগী ২৭ নি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ৩০ নি।

রাজ্য অসিগী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা অহানবা তাঙ্কক্তা ইন্নর মণিপুর লোক সভা সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোৎ থাদনগনি। আউটর মণিপুরগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দদি অনিসুবা তাঙ্কক এপ্রিল ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি। মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিমক্কী অপুনবা ভোতর মশিং অসি লাখ ২০ লিশিং ২৬,৬২৩ নি। মখোয়দুগী মনুংদা ত্রান্সজেন্দর ভোতর ২৩৯ য়াওরি। লোক সভা সিট অনিমক্তা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২,৯৫৫ হাংদোক্কনি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা মখোয়গী মীরেপশিংগী মীং লাউথোকবা কন্না হোৎনরি। বি.জে.পি অমসুং  কংগ্রেস য়াওনা অতোপ্পা রাজনীতি দল খরদি  হৌজিক ফাওবা মখোয়গী মীরেপ লাউথোক্ত্রি।

মরক অসিদা, মীখল অসিগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরশিংগা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিটরিংগী অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিংসু পাঙথোকখি।

নোনে জিলাদসু পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিং ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীখল অসিদা মথৌ তৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা পোল্লিং পার্সোনেল ৩০০ খনখ্রবনি। ত্রেনিং অসি থা অসিগী ২৩ ফাওবা চত্থগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেনিং থা অসিগী ২৩ দা জিলা অদুগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্তরদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

তমেংলোং জিলাগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অহানবা রাউন্দগী

ত্রেনিং ঙসি জিলা অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লোক সভা মীখলগী মাংওইননা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণ কুমার, এস.পি- এ. ঘনাশ্যাম শর্ম্মা অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা পোল্লিং ষ্টেসনশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা অকাশবানি পাউমীদা হায়- পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদা মৈ য়াওনা অতৈ দরকার লৈবা খুদোংচাবা পুমমক ফংহনগনি। মহাকা হায়-

হ্যুমেন রাইটস (এল)ঃ মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী শঙাই হোলদা ইন্তরনেসনেল ডে ফোর দি ইলিমিনেসন ওফ রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সিধার্থ মিরদুল, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন- জষ্টিস য়ু.বি. সাহ অমসুং ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা, হ্যুমেন রাইটস ৱিক্কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা দিবেৎ কম্পিতিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

বেঙ্ক (এল)ঃ লৈবাক অসিগী বেঙ্ক খুদিংমক সরকারগী অমদি অতৈ থবক থৌরমশিং নিংথিনা তৌবা য়াহন্নবগীদমক থা অসিগী ৩১ নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৌশাগুম হাংগনি। রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জেনেরেল মেনেজরগী চেরোল অমনা হায়- হায়রিবা নুমিৎ অসি নোংমাইজিং ওইজরবসু মহৌশাগুম বেঙ্কশিং ছুতি ওইরোই।

একজিবিসন (এল)ঃ ইম্ফাল আর্ট কলেজগী ১৮ শুবা এন্যুএল আর্ট একজিবিসন ২০২৪ ঙসিদগী কলেজ অসিগী হঞ্জবম শ্যামো শর্ম্মা আর্ট গেল্লেরিদা হৌখ্রে। থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথুগদবা একজিবিসন অসি আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয়না হৌদোকখি। একজিবিসন অসিদা পেন্তিং এপ্লাইদ আর্ট, স্কল্পচর গ্রাফিকনচিংবা একজিবিত ১৫০ রোম হেন্না উৎলি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী শৈরেং নুমিৎকা মরী লৈননা অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ পীখ্রে। এৱার্দ অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সাহিত্য থৌপাং লুপনা পীখিবনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫, সোল অমা অমদি সাইটেসন অমা য়াওরি।

ককচিং জিলাদসু মালেমগী শৈরেং নুমিৎ, সাহিত্য সেবা সম্মিতি ককচিংনা শিন্দুনা জিলা অসিগী সুমাক লৈকাইদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবসু পাঙথোকখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাদা নোং চুবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা পীরে। জিলা অদুদা ঙরাংদগী মৈ লাক্ত্রে হায়রি। মৈ লাক্তবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং পুমলেপ লেপ্লগা চপ মান্নরে হায়রি। অদুমওইনমক, জিলা অদুদা ঈশিংগী অৱাবা মতম খরা লৈরম্বা অদু হৌজিক চুরিবা নোং অসিনা খরা মখৈদি শাফরগনি। ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুন কামৈনা হায়- জিলা অদুদা য়ামা তোইনা মুৎপগী সমস্য অমা থেংনরি। মসি য়েংশিনবীনবা মীয়ামনা মরী লৈনবশিংদা ৱাকৎখিবসু লৈখ্রবদি। মেট দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা চয়োল অমরোম অসি নোং চুখিগনি হায়রি।

আইটিআই (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী ক্রাফটসমেন ত্রেনিং স্কিমগী নৌনা জোইন্ট দিরেক্তর ওইরবা য়াইফবা লোংজমনা ঙসি নিংথৌখোংদা লৈবা আই.টি.আইদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। তুংদা, ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফিসতা শ্রী য়াইফববু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা আই.টি.আইশিংদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

ঈ (এল)ঃ ঈরিকসে নচাশিংগীনি, ইমা নংগীদমকি হায়বা হিরমদা ঈ-দান তৌবগী থৌরম অমা জেনিমস হোস্পিতালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মৈপুন, য়ুনাইতেদ ৱি-ষ্টেন্দনা জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কা খুৎশমরগা লমদম অসিদা থোক্লিবা

লান অসিনা মরম ওইদুনা অশোক অপন য়াওরকপা অমদি অতৈ অরুবা অনাবা কয়া লায়েংবদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙমনবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। পুন্না মীওই ৩২ না ঈ দান তৌখি।

বিরেন (এল)ঃ মণিপুরী এম.এম.এ ফাইটর- চুংরেং কোরেনবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি ইকায় খুমবা উৎখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মিক্স মার্সিয়েল আর্টস চেম্পিয়ন ওইদুনা রাজ্য অসিগী অমদি লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপগীদমক চাউথোকচবা পোকই। মণিপুরবু জাতি অমদি অন্তরজাতিগী থাক্তা মশান্না অসিনা মশক তাকপা ঙম্বা অসি চাউথোকচনিঙাইনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মৈ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা থা অসিগী ১৮ দগী ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মফমদা রেইদ চখবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা মীওই ১০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীওইশিং অদুদি- সেন্ত্রেল সব-দিভিজন-ৱানদগী ১, লমফেল সব-দিভিজন-ৱানদগী ২, অদুগা নোনে সব-দিভিজন এরিয়াদগী মীওই ৭ নি। মখা তানা রেইদ চখদুনা মৈ লান্না শিজিন্নবশিং ফাগৎখিগনি হায়রি।

ফেল্লোসিপ (এল)ঃ মঙাসুবা ষ্টেট লেবেল মিদিয়া ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম ওন কাইমেত চেঞ্জ রিপোর্টিংগী চহি অমগী ফেল্লোসিপকীদমক জরনেলিষ্টশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্টিংগী হিরমশিংদি- হেলথ এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, এগ্রিকলচর এন্দ এল্লাইদ এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনি। ফেল্লোসিপ অসি হান্না ফংখ্রবা পাউমীশিংসু দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। অদুমওইনমক, চহি অমা কান্নরগা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। জরনেলিজম অমসুং মিদিয়া রিপোর্টিংদা য়ামদ্রবদা চহি অমদগী তাদনা এক্সরিয়েন্স লৈরবশিংনা দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি। ফেল্লোসিপ এৱার্দ লুপা লিশিং ৫০ ওইগনি।

ওবিৎ (এল)ঃ মণিপুরগী শকাইরবা ঈশৈ ময়েক ইবা থাংজম কোরানা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লুপশিং অৱাবা ফোংদোকরক্লি। থাংজম কোরা অকাশবানি ইম্ফালগী এপ্রুভ লিরিসিষ্টনি। মহাকা লৈখিদবদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ডাঃ রঞ্জন্না, লৈহৌরিবা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

মহাকা লৈখিদবদা ওরিয়েন্টেল লেবেলর এসোসিয়েসন (ওলা)না অৱাবা ফোংদোকখ্রে। অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা ওলাদা, ৱাংখৈ-কোংবদা পাঙথোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মফমদা ইংনা চিকা লৈরুনবগীদমক মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অনিসুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মেটচতা এঞ্জেল ক্লবনা লম্লাং হুপি য়ুথ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব অমসুং লোক্তাক ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

পোলো (এল)ঃ চীংখৈ হুনবা পোলো ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অথোকপম গন্ধার মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু নোং চুবনা মরম ওইদুনা মতম কত্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

ইসি ঃৱাটসএপ্প গ্রুপশিংদা বিক্সিত ভারতকী মেসেজ থারিবশিং অদু খুদত্তগী থিংজিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসেন টেকোলোজি মন্ত্রালয়দা খঙহনখ্রে।

কম্মিসন্না হায়- মসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াদগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকপদগী লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগী মতম লাউথোকখ্রবসু অসিগুম্বা মেসেজ অসি মখা তানা থানদুনা লৈরে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকপনা মরম ওইদুনা মসি খ্দক্তগী থিংজিন্নবা খঙহনখিবনি। অদুমওইনমক, ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না ইলেক্সন কম্মিসনদা অইবা চেরোল অমা পীরদুনা হায়- মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট হেক চৎনখিবদগী বিক্সিত ভারতকী মেসেজ থাবগী থবক লেপখ্রবনি। অদুমওইনমক, মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রিঙৈদা থাদোকখিবা মেসেজশিং নেটৱার্ককী খুদোংচাদবা লৈবদগী মতম খরা থেংথনা ফংবা ওইরম্বা য়াই।

কংগ্রেস ঃ কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা হায়রি- লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রবু মগুন লৈবা গনতন্ত্র ওইহন্নবগীদমক মীচং মীখায় নাইদবা মীখল অমা য়ামমক তঙাইফদে। গনতন্ত্রবু কন্নবগীদমক মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা হায়বসি শুকশোই শোইদনা তৌগদবা থবক অমনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী খরগেনা হায়- কংগ্রেস দলগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট থিংজিনদুনা থম্বা হায়বসি য়ামা মরম চাদবা খোঙথাং অমনি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মদুগী ফন্দ কংগ্রেসনা শিজিন্নগনি হায়বগী মীংদা থৌরাং অসি পায়খৎপা ওইরম্বা য়াই।

বেঙ্ক এক্কাউন্ট ফাজিনদুনা থম্বা হায়বসি য়ামা গনতন্ত্রিক ওইদবা থৌওং অমনি হায়না কংগ্রেসকী মকোক থোংবী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। কংগ্রেসকী বেঙ্ক এক্কাউন্ট ফাজিনদুনা থম্বা হায়বসি কংগ্রেস দলবু শিংনবা নত্তে, মসিদি ভারতকী গনতন্ত্রবু অতমনা শিংনবনি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ফোংদোরক্লি।

এসসি ঃ চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনারশিং খনবগী অনৌবা আইন ষ্টে তৌবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

জষ্টিস সঞ্জিভ খানা অমসুং দিপংকর দত্তগী বেঞ্চ অমনা হায়- হৌজিক লোক সভাগী মীখলগী থবক থৌরমশিং চখ্থরিঙৈদা অনৌবা আইন অসি ষ্টে তৌবা হায়বসি য়ামা মরম চাদবা অমনি। চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনারশিং খনবগী অনৌবা আইনবু শিংনদুনা থারকপা ব্রাকৎ অমা তারবা মতুংদা জজ অনিগী বেঞ্চ অসিনা হায়- হন্দক্তা নৌনা হাপখিবা ইলেক্সন কম্মিসনার অনি- গ্যানেস কুমার অমসুং সুখবির সিংহ সন্ধু খনবদা চয়েৎনবা ব্রাফম লৈখিদে।

------